# নুমিৎ ৩৪০ নি স্পেসতা লৈরকখিবা এষ্ট্রোনোট কেলি মালেম লৈবাক্তা হল্লক্লে



কেপ কেনাভরল, মার্চ ০২ ঃ
এষ্ট্রোনোট স্কোট কেলি হান্না অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা নাসাগীদমক্তা থবক তৌদুনা চহী অমা স্পেসতা লৈরুরবা মতুংদা মহাক্না হৌখিবা চহীগী মার্চ থাদা থাদোকখিবা প্লানেট অসিদা অমুক পাইশিল্লকখ্রে। মতম শাংনা মীওইবগী সোসাইটিদগী থাপ্লা লৈরুরবা মতুংদা মহাক হৌজিক মহাক্কী নুংশিজবা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপীজাশিংগা অমুক হন্না পূনবা ফংলগনি হায়রি।

কেলিনা হৌখিবা নুমিৎ ৩৪০ নি মহাক্কী কাগী মরুপ ওইরকখিবা রসিয়ন কোসমোনোট মিখাইল কোর্নিয়েনকোগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মতমদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন থাদোকখি।

মখোয়গী স্পেস কেপস্যুল অদুনা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা কাজাখষ্টানদা থুংলখিবা মতমদা মখোয়নীমক স্পেসতা মাইল মিলিয়ন ১৪৪ চৎলুরে, মালেম লৈবাক অসিবু ৫,৪৪০ রক কোইরুরে অমসুং ওর্বিটিতা নুমিৎ থোকপা অমসুং তাবা ১০,৮৮০ রক থেংনরকখ্রবনি হায়রি।

কেলিনা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন থাদোক্লমদাই লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অরোইবা বেটচ ওইনা নুমিৎ থোকপগী ফোটোশিং ত্বিটরদা থারকখি। কেলি (চহী ৫২) অমসুং কোর্নিয়েনকো (চহী ৫৫) বু সোয়ুজ কেপস্যুলগী পাইলোট ওইদুনা মালেমদা পুরকখিবদি মখোয়দগী চহী তরা নৌরিবা রসিয়ন কোসমোনোট সর্গি ভোলকোভনি। ইনৌ নৌবা স্পেসকী মিসনদা শরুক য়ারকখিবা ভোলকোভনা হন্দক্কী খোঙচৎ অদুদা থা তরুক স্পেস ষ্টেসন অদুদা লৈরকখি।

স্পেস ষ্টেসনগী ক্রুগী মীওই অহুমগা খুৎ অমসুং মশা শোক্লরবা মতুংদা কেলিনা ইহান হান্না খামদুনা লৈরিবা স্পেস কেপস্যুল সোয়ুজদা কাখৎখি। কোর্নিয়েনকোসু মদু মঙাই স্পেস ষ্টেসনগী মনুংদা মখুৎনা পোপ পোপ য়ৈরল্লগা সোয়ুজদা চঙখি। পুং খরগী মনুংদা সোয়ুজ কেপস্যুল অদু স্পেস ষ্টেসন থাদোক্তুনা কাজাখষ্টানগী লমগং ষ্টেপশিং তম্না পাইরকখি।

চহী অমরোমদা স্পেসতা লৈরুরবা স্পেসমেন অনী অদু মালেমগী লৈমায়দা থুংলরবা মতুংসিদা মেদিকেল টেষ্ট কয়ামরুম চথরগনি হায়রি। মার্সতা হেন্না শাংবা মিসন কয়া চৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা নাসানা গ্রেভিটি লৈতবা মফমদা চহী অমা লৈবা মতমদা মীওইবগী হকচাংদা করি করি তৌরকপগে, করি অকায়বা লাকপগে হায়বদু খঙবা পামই।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কেলিনা স্পেস ষ্টেসনগী কম্মান্দ থাদোকখিবা মতমদা মহাক অমসুং কোর্নিয়েনকোনা স্পেসতা থাঙ্গৈশেংনা মতম কা হেন্না লৈরক্লে হায়না ফোঙদোকখি। মখোয় মশেল ফাগী তৌনদুনা "ঐখোয়গী থবক্তু পাঙথোকখ্রে" হায়নখি হায়রি।

মখোয়না ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস) তা নুমিৎ ৩৪০ গী মিসনদা লৈরিবদু মহৌশা লৈনবা চাংদগী শরুক অনী হেন্দোক্লবনি হায়রি।

মতম হেন্না শাংদোক্লিবা মখোয়গী খোঙচৎ অদুগী পান্দমদি মতম শাংনা স্পেসতা পাইদুনা লৈবনা মীওইবগী হকচাংদা লাকপা ইফেক্টশিংগী মরমদা ষ্টদি তৌবনি।

সাইন্টিষ্টশিংনা হৌজিক স্কোট কেলিগা ময়ুমদা লেংদনা (স্পেস মিসনদা য়াওদনা) লৈরিবা মহাক্কা মান্নবা ফাইবোক মচীন-মনাও ওইবা মার্ককা চাংদমন্নদুনা খঙজিনবা য়াবা কয়া মখা তানা খঙবা ঙম্লগনি হায়রি।


য়ু এসকী এষ্ট্রোনোট কেলি, রসিয়ন কোসমোনোট কোর্নিয়েনকো অমসুং রসিয়ন ক্রু মেম্বর সর্গি ভোলকোভ তোংবা সোয়ুজ কেপস্যুল অদু লোকেল টাইমদা অয়ুক্কী পুং ১০:২৬ (জি এম টি ০৪:২৬) তাবা মতমদা কাজখষ্টানগী অচৌবা লমগং লম্ধাং (ষ্টেপ) অমদা থুংলখিবনি।

# য়ু এস অমসুং ইরাক্না মোসুল লৌশিন্নবা লালগী থৌরাং তৌরি

ৱাশিংটন, মার্চ ০২ ঃ
হন্দক সিরিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস)কী মায়োক্তা খোঙফম খরা চঙশিনবা ঙমখিবা অসিনা ইরাক্তা গ্রুপ অদুনা শীজিন্নবা মরু ওইবা সপ্লাই লাইনশিং থদৎপদা মতেং ওইখিবগা লোয়ননা সুনি লালহৌ অদুগী মায়োক্তা খ্বাইদগী চাওবা লাঞ্জং অমা ওইনা মোসুল সীটি নৌনা লৌশিনবগী লাল শোক্লনবগী ফীভম শেল্লে হায়না পেন্টাগোনগী ওফিসলশিংনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

পেন্টাগোনগী ন্যুজ কনফরেন্স অমদা জোইন্ট চীফস্ ওফ ষ্টাফকী চ্যেরমেন ওইরিবা জেনরেল জোসেফ এফ দনাফোর্দ জুনিয়রনা হায়খি মদুদি, মোসুলবু সিরিয়াগী রাকাদা লৈবা আই এসকী দিফেক্টো হেদক্কার্টর্সতগী নাইতোম তাহন্নবগী খোঙথাং লৌখৎপগা লোয়ননা য়ু এসনা শৌগৎপা ফোর্সশিংনা লাল অদুগী শেম শাবগী থবক পাইখৎপা হৌখ্রে। হৌখিবা চয়োলদা কর্দিশ অমসুং অরাব ফোর্সশিংনা ইষ্টর্ন সিরিয়াগী সাদাদি টাউন নৌনা লৌশিনখিবগা লোয়ননা দিফেন্স সেক্রেটরি অশ কার্টরগী ৱারোলদা রাকা অমসুং মোসুলগী মরক্তা লৈরিবা অরোইবা মরু ওইবা শীংলি থদৎখ্রবনি হায়রি। তৌইগুম্বসুং মিলিটরি ওফিসলশিংনা মোসুলগী লাল অদু থা কয়ামুক চঙলবা য়াই হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখি।

ইষ্টর্ন সিরিয়াদা চঙশিনবা ঙম্বগী মথক্তা পেন্টাগোন্না রাকা অমসুং মোসুলগী মরক্তা লৈরিবা আই এসকী কম্যুনিকেসনশিংদা সাইবর এটেকশিং চথবা হৌখ্রে। সাইবর এটেকশিং অসিগা ইরোয়ননা



মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুনা সোসল মিদিয়া শীজিন্নদুনা অনৌবা ফাইটরশিং লৌশিন্নবা হোৎনবগী থবকশিংদা অকায়বা থোকহনবা এটেক কয়াসু চথখ্রে হায়না ওফিসলশিংদুনা হায়খি।

মোসুলবু নৌনা লৌশিনবা হায়বসি আই এসতা অচৌবা চৈথেং অমা ওইগদৌরিবনি হায়না ইন্সটিট্যুট ফোর দ ষ্টদি ওফ ৱারদা ইরাক্কী মরমদা খঙ-হৈরবা মীওই অমা ওইরিবা পেট্রিক মার্টিননা হায়খি। অসুম্না চাওনা মাঙবা অসিনা ইরাক্তা সুনিগী লালহৌ কোইচেন চেল্লে হায়না য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না ক্লেম তৌরিবদুদা হেন্না মতিং হাপ্লগনি। মদুনা আই এসকী ফাইটরশিংবু নীংবা কায়-হন্দুনা গ্রুপ অদু হৌজিক কলিফেট অমনি হায়না মশানা কৌজরিবদু চানবা ঙম্লিব্রা হায়বগী ৱাহং কয়া লাক্কনি হায়রি।

ইরাক্কী গ্রুপশিংনা করম্বা মতমদা মোসুলদা চঙগদগে হায়বদু পেন্টা-গোননা ফোঙদোকখিদ্রবসু জেনরেল দনফোর্দনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা অমদা মদু মতম য়াম্মা শাংনা চোন্থরগা পাঙথোক্কদবা নত্তে হায়খি। ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল-অবাদিনা হৌখিবা চয়োল অনীগী মমাঙদা হায়খি মদুদি, সীটি অদুবু য়াম্না থুনা মার্চ ফাওবগী মনুংদা আই এসকী মখুৎতগী নৌনা লৌশিন্নবা মপুং ফাবা মিলিটরি ওপরেসন অমা হৌরগনি।

ইরাকি ফোর্সশিংনা আই এসকী মখুৎতগী রামাদিবু অমুক হন্না লৌশিন্নবা হোৎনবদা মতম শাংনা লাল শোক্লখিবা অদুদগী মোসুল লৌশিন্নবা শোক্লগদৌরিবা লাল অদু করম্বা ফীভমদা লাক্কদগে হায়বদুগী চাউরাকপা অমদি খঙবা ঙমই। লাল অদু হৌখিবা দিসেম্বরদা লোইখিবনি।

য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথদুনা শৌগৎপা ইরাকি ফোর্সশিংনা খজিক খজিক চঙশিন্দুনা অনবর প্রোভিন্সকী কেপিটেল রামাদি কন্ট্রোল তৌবদা থা মঙা হেন্না চঙখি। রামাদি লৌশিনবগী লাল অদু ৱানা শোক্লখিবা লাল অমা ওইখি, তৌইগুম্বসুং মোসুলগী লাল অসিনা মদুদগী য়াম্না হেন্না কনগনি হায়না মিলিটরি ওফিসলশিংনা হায়রি।

# সাউথ চাইনা সী: য়ু এসনা চাইনাবু ৱার্নিং তৌখ্রে



ৱাশিংটন, মার্চ ০২ ঃ
য়েৎনরিবা ঈথৎ অমদা লৈমায়দগী নোংথক্তা কাপ্পা মিসাইলশিং থমজিনবা য়াওনা সাউথ চাইনা সীগী লমদমদা অকল-অরিংগী থৌওং কয়া চথবগী মায়োক্তা য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি অশ কার্টরনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চাইনাদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

"চাইনানা সাউথ চাইনা সীদা মিলিটরিগী পাঙ্গল শাগৎনবা হোৎনদুনা খুৎশু খুৎলাই কয়া পৈশিল্লিবসি তোক্কদবনি" হায়না সান ফ্রান্সিস্কোদা কম্মনৱেলঠ ক্লবতা হীরম কয়াগী মতাংদা পল্লদুনা ৱা ঙাঙবদা কার্টরনা হায়খি। "তাংদাংবা থবকশিংগী তাংদাংবা মহৈশিং লাক্কনি" হায়না মহাক্না হায়খি।

চাইনানা সাউথ চাইনা সীদা পায়খৎলিবা থবকশিং অদুগী মতুং তাবা করি করি মহৈশিং লাক্কদগে হায়না হংবদা কার্টরনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, য়ু এস মিলিটরিনা এসিয়া-পেসিফিক রিজনদা মিলিটরি দিপ্লোইমেন্টশিং হেনগৎহনখ্রে অমসুং চাইনাগী এক্সনশিং অদুনা অকিবা পোকহল্লবা লমদম অদুগী লৈবাকশিংগা অহেনবা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং অমসুং ট্রেনিং পাঙথোকপদা কুমজা ২০২০ ফাওবদা দোল্লর মিলিয়ন ৪২৫ চাদিং তৌরগনি।

মহাক্না হায়খি, চাইনাগী থৌওং অদুদা চহী খরগী মমাঙদদি ওইথোক্লম্লরোইদবা ট্রাইলেটরেল এগ্রীমেন্টশিং ফাওবা পুরকহনখ্রে। হন্দক থা খরা অসিদা সাউথ চাইনা সীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নেভিগেসন এক্সর্সাইজ কয়া নীং-খা তম্না পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মফমদুগী ঈশিংদা নেভিগেট তৌবগী হকশিং লৈ হায়বদু উৎতুনা ৱারশিপ অমসুং ভেসেল কয়া য়েংনরিবা ঈথৎশিংগী মনাক নক্না থৌখ্রে।

য়ু এস নেভিগী ওফিসলশিংনা হায়রি মদুদি, মখোয়না তুংদা অরুবা এক্সর্সাইজ কয়া পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। কার্টরনা হায়খি, শেনবা চহী ২০১৭ খক্কী ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ৮ চাদিং তৌনবগী থৌরাংসু লৈরে মদু য়ু এসকী মপাঙ্গল লৈরবা সবমেরিনশিং অমসুং ঈশিং মনুংগী দ্রোনশিংগী ফ্লীট চাউথোকহন্নবনি।

"এক্সনশিং অসিগী মখা তারকপা মহয়শিং লৈ হায়বসিদা হংনিংঙাই ৱাহং লৈতে" হায়না কার্টরনা হায়খি। "কেটগরি অহুম্মক্কী ওইনা ঐখোয়গী থৌরাংশিং লৈ। মদু নখোয়না উবা ফংলনি" হায়না সেক্রেটরি ওফ দিফেন্সনা মখা তাখি।

কার্টরনা মালেম পুম্বগী মেরিটাইম সিক্যুরিটি সেফগার্দ তৌনবা য়ু এস মিলিটরিনা লৌরিবা ফীরেপ অদুবু নৌহৌননা নীংশিংখি। মরু ওইনা মহাক্না মালেমগী ওইনা চহী খুদিংগী ললোন-ইতিক্কী চাদা ৩০ রোমগী লম্বী ওইনরিবা ঈশিংগী শরুক অদুদা মেরিটাইম সিক্যুরিটিগী থৌরাংশিং পায়খৎপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়খি।

য়ু এসকী দিফেন্স চীফ অসিনা রসিয়া অমসুং চাইনা অনীমকপু ইন্টর্নেট শীজিন্নবদা অথিংবা কয়া থম্নবা হোৎনবগীদমকসু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাক্না লৈবাক অনীবু ষ্টেট স্পোন্সর্দ সাইবর থ্রেটশিং কয়া পীরি, সাইবর স্পায়িং অমসুং সাইবর ক্রাইমশিং চথে হায়না মরাল শীখি।

মহাক্না হায়খি, ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট গ্রুপশিং অমসুং অতৈ য়েক্লবশিংবু মায়থীবা পীনবগী পান্দমদা সাইবর এটেক ওপসন কয়া পুথোক্লবা অমসুং সাইবর সিক্যুরিটি ফগৎহন্নবা মথংগী চহী মঙাদা পেন্টাগোননা দোল্লর বিলিয়ন ৩৫ চাদিং তৌরগনি।

# য়ু এসকী প্রাইমারি মীখলশিংদা হিলারি, ত্রম্প চাওনা মায় পাকখ্রে



ৱাশিংটন, মার্চ ০২ ঃ
রিপল্লিকান দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং দেমোক্রেট হিলারি ক্লিন্টননা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মফম কয়াগী প্রাইমারি মীখল কয়াদা মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্সিয়ল ফ্রন্ট-রন্নর অনীনা কুমজা ২০১৬ কী প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সন কেম্পেইনগী ওইনা ষ্টেটশিংগী প্রাইমারি ভোটিংগী খ্বাইদগী চাওবা নুমিৎতা মখোয়গী পার্টিশিংগী নোমিনেসনশিং ফংনবগী লম্বীদা খোঙকাপ অমা থাংজিনখ্রে।

সুপর টুইজদে নুমিৎতা প্রাইমারি কয়াদা মায় পাক্লবা মতুংদা দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং হিলারি ক্লিন্টননা অমগা-অমগা মীৎয়েং থম্নদুনা ৱা ঙাঙনখি। ত্রম্পনা ক্লিন্টনগী থবক থৌওং খুদিংমক কোইতান তান্নদুনা থিংগনি হায়খি। অমরোমদা হান্নগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা ত্রম্পকী মী মরক্তা মচোই মচোই তাহন্নবা শীনবা ৱাঙাঙ শাঙাঙশিংবু কন্না ক্রিটিসাইজ তৌখি।

ত্রম্পকী রিপল্লিকান লম্বা ওইরিবা টেক্সাসতগী থাগৎলকপা য়ু এসকী সিনেটর টেদ ক্রুজনা মহাক্কী ময়ুম ষ্টেট অমসুং য়ুমলোন্নবা ওকলাহোমা ফংদুনা মঙোন্দা ৱাথোক চাওবা ত্রম্পবু অথিংবা পীনবগী খ্বাইদগী ফবা তাঞ্জা লৈ হায়বা মহাক্কী ৱাফম অদুদা ঈনোৎ হাপখি।

রিপল্লিকান ইষ্টাব্লিশমেন্টগী খ্বাইদগী পাম্নবা মীশক ওইরিবা ফ্লোরিদাদগী কারকপা য়ু এসকী সিনেটর মার্কো রুরিয়োদি সুপর টুইজদেগী ওইনা প্রাইমারি অমত্তদা মায় পাকপা ঙমদ্রি।

ভর্মন্টতগী কারকপা দেমোক্রেটিক সোসিয়েলিষ্ট য়ু এস সিনেটর অমা ওইরিবা ক্লিন্টনগী রাইভল বর্নি সেন্দর্সনা ওকলাহোমাগা লোয়ননা মহাক্কী হোম ষ্টেটসু ফংখ্রে। মহাক্না ভোট থাদনদ্রিবা ষ্টেট ৩৫ দা মখা তানা হনবা লৈতনা অকনবা কেম্পেইন চথদুনা মহাক্কী পার্টিগী নোমিনেসন ফংনবা হোৎনগনি হায়খি।

ষ্টেট ১২ ভোট থাদনখিবা মতমদা য়ু এসকী নেটৱার্কশিংনা ত্রম্প অমসুং ক্লিন্টননা সুপর টুইজদে নুমিৎতা ষ্টেট তরুক তরুক ফংবা ঙমগনি হায়না প্রোজেক্ট তৌখিবনি। ত্রম্পনা অলাবামা, অর্কান্সাস, জোর্জিয়া, মেসাচুসিটস, টেন্নিসী অমসুং ভির্জিনিয়া ফংখি অদুগা ক্লিন্টন্না অলাবামা, অরকান্সাস, জোর্জিয়া, টেন্নীসি, টেক্সাস অমসুং ভির্জিনিয়া ফংখি।

সুপর টুইজদে হায়বসি দেমোক্রেটিক প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগী মহুৎ শীন্নবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেভেম্বর ৮ গী মীখলদা শরুক য়াগদবা পার্টিগী নোমিনীশিং খন্ননবা ষ্টেটশিংদা পাঙথোকপা কন্টেষ্টশিংগী খ্বাইদগী চাওবা নুমিৎনি। ভোট থাদনবা অদু ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংদগীনা টেক্সাস অমসুং মিন্নেসোটা ফাওবা পাঙথোকখি।

# ফ্যুচরিষ্টিক বোম্মর বি-২১ মালেমদা উৎখ্রে

ন্যু য়োর্ক, মার্চ ০২ ঃ
য়ু এস এয়র ফোর্সনা মসিগী অহানবা মপুং ফানা শাবা লোইদ্রিবা লোং রেঞ্জ ষ্ট্রাইক বোম্মরগী অহানবা চাউরাকপা দিজাইন অমা পুথোক্তুনা উৎখিবগা লোয়ননা মালেম পুম্বদা মথুম-মরাং হৌহনখ্রে। লমশাং পাইবা ঙম্বা ষ্ট্রাইক বোম্মর অদু হৌজিক্কী ওইনা বি-২১ হায়না মিংথোল্লে হায়রি।

য়ু এসকী ফ্যুচরিষ্টিক মিলিটরি এয়রক্রাফট অদু নোর্থ্রোপ গ্রুম্মননা দোল্লর বিলিয়ন ৮০ চংনা দিভলপ তৌগনি হায়রি। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এয়রক্রাফট অদুগী প্রোটোটাইপ অমত্তা লৈত্রি। য়ু এস এয়রফোর্সনা অমমম্দা দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ রোম পীদুনা বি-২১ ষ্ট্রাইক বোম্মর ১০০ রোম লৈশিনগনি।

লোং রেঞ্জ ষ্ট্রাইক বোম্মর শাবগী প্রোগ্রাম অদু য়েক্লবা ওইবা য়াবা লৈপাক-শিংদা মিলিটরিগী অরোনবশিং খঙহন-খিবা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী অমসুং মায় পাক্তবা বিদ্দর কম্পনিশিংদা অকুপ্পা মরোলশিং খঙহন্দনবগীদমক্তা য়াম্না লোন্না পায়খৎখিবনি হায়রি। নোর্থ্রোপ নৎতবা মায় পাকখিদ্রবা বিদ্দরশিংগী ফোর্মেল প্রোটেষ্ট অদু হৌখিবা চয়োলদা রিজেক্ট তৌখিবনি।

মশা পুম্বা পুংমু মুবা প্লেন অদু অতৈদগী তোঙান তাবা মশক চেনবা, জিগজেগিং সেপনি অমসুং রাদরনা ফাবদা ৱাগদবা মওংদা সুপর লো প্রোফাইল লৈ। এয়রক্রাফট অদু য়েংবদা এয়রফোর্সকী বি-২ বোম্মরগা হাইফেৎ মান্নে হায়রি। বি-২ বোম্মরসু নোর্থ্রোপ গ্রম্মননা শাখিবনি।

# সোদাষ্ট্রিমগী থবক লেপ্পদা ইজরেল বোইকোটকী খোঙজংদা ৱাহং কয়া হংলি

জেরুসালেম, মার্চ ০২ ঃ
ইজরেলি কম্পেনি সোদাষ্ট্রিমগী ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা ফেক্টরি থিংজিনখিবদগী শিন্মী চা কয়া থবক লেপহনখিবনা মরম ওইদুনা পালেষ্টিনিয়ান কয়ামরুমনা এন্টি-ইজরেল ওইবা কম্পনি বোইকোট তৌবগী খোঙজং অদু অচুম্বা খোঙজং অমরা হায়না হংনবা হৌরক্লে হায়রি।

হৌজিক তায়োন্নবা ফীভম অমা উবা ফংলিবদি, পালেষ্টিনিয়নশিংনা ইজরেলিশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্কপু খুদুম চন্দুনা থম্বগী মায়োক্তা লাউরিবা মালেমগী খোল্লাউবু শৌগৎতুনসু ইজরেলগী য়াম্না হেন্না ইনাক খুল্লবা ইকনমিগা শম্নবা বিজনেসশিংনদি (পালেষ্টিনিয়ন) মীয়ামগী ওইবা তঙাই ফদ্রিবা থবকশিং পীরি।

ৱেষ্ট বেঙ্ককী ফেক্টরি অদুদা পালেষ্টিনিয়ন ৫০০ রোম থবক তৌবগা লোয়ননা থবক ফংদবগী চাংনা ৱাংলগা খুৎশুমলনা নেম্বা ইকনমি অমদা শিন্মীশিংগী হিংনবগী লম্বী অমদি ওইনরি।

তৌইগুম্বসুং বোইকোট তৌরিবা কাঙবুশিংনা হায়খি মদুদি, ফেক্টরি অদু ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্কপু চহী ৫ রোম পায়শিন্দুনা থল্লকপগী প্রদক্ট অমসুং সিম্বোল ওইবগা লোয়ননা পালেষ্টিনিয়নশিংনা মশাগী ওইবা শেম্থোক লম্বীশিং পুথোক্তুনা অচৌবা মতিং লৈবা ইকনমি অমা শাগৎনবা হোৎনবগী লম্বীদা অপনবা পীবা সেট্টলমেন্ট বিজনেসশিংগী ওইবা নেটৱার্ক অমগী শরুক্নি।

চহী কয়ামুক মিসোর অদুমিনদা লৈবা ফেক্টরি অদু বি দি এস মুভমেন্টগী মরু ওইবা টার্গেট অমা ওইদুনা লাকখিবনি। বি দি এস মুভমেন্টগী এক্টিভিষ্টশিংনা মখোয়গী খোঙজং অদু ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্ক পায়শিন্দুনা থম্বগী মায়োক্তা ঈরাং থোকহন্দনবা চঙশিনবা খোঙজংনি হায়না ক্লেম তৌরি। মখোয়না ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা ইজরেলিশিংগা মরী লৈনবা ফেক্টরিশিং বোইকোট তৌরি।

মখোয়না ফেক্টরিশিংদুবু য়োন্নবা দিমান্দ তৌরি অমসুং মদুগুম্বা ইজরেলিশিংগা মরী লৈনবা ইষ্টাব্লিশমেন্টশিংগী মথক্তা অথিংবা কয়া থম্নবা তকশিল্লি।




# EMPLOYMENT NEWS

## MEGHALAYA POLICE RECRUITMENT

1425 UB/AB Sub-inspectors, Constables & Various Vacancies

Meghalaya Police invites application for the post of 1425 UB/AB Sub-inspectors, Constables & Various Vacancies. Apply before 15 March 2016.

Post Name : UB Sub Inspector
No. of Vacancy : 80 Posts
Pay Scale : Rs. 14100-27510/-
Post Name : AB Sub Inspector
No. of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs. 14100-27510/-
Post Name : Constable
No. of Vacancy : 1163 Posts
Pay Scale : Rs. 8300-16270/-
Eligible Criteria for Meghalaya Police Recruitment :
Educational Qualification :
For UB/AB Sub Inspector : Degree in any stream.
For Constable : Class IX and 12th passed.
Nationality : Indian
Age Limit :
For UB/ AB Sub-inspector : 22 to 27 years
For Constable : 18 to 21 years
Age relaxation :
Scheduled Caste/Scheduled Tribe : 5 years
Job Location : Meghalaya

Application Form : Application form obtained from office of all district superintendent of police and commandants of MLP Battalions and Principal, PTS Mawroh, Shillong on Payment of Rs. 50/-.

Selection Process : Selection will be made on Physical Efficiency Test, Written Examination, Trade Test & Interview.

How to Apply Meghalaya Police Vacancy : Interested Candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents send to Director General of Police, (TRG/AP), Cum Chairman, Central Recruitment Board, Meghalaya, Shillong on or before 15.03.2016.

Important Dates to Remember :
Last Date for Submission of Application : 15.03.2016

## UPPRPB Recruitment 2016

Uttar Pradesh Police Recruitment and Promotion Board (UPPRPB) invites applications for the posts of 1865 Computer Operator Grade A Direct recruitment. Apply Online before 04 April 2016.

Job Details :
Post Name : Computer Operator Grade A
No. of Vacancy : 1865 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2400/-
Eligibility Criteria for UPPRPB Recruitment :

Educational Qualification : Candidates must have passed 10+2 with Physics and Maths with 'O' level certificate from DOEACC / NIELIT.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 28 years as on 01.07.2016
Age of Relaxation :
SC/ST/ OBC Candidates : 5 years (Only U.P. Domicile)
Job Location : Uttar Pradesh

Selection Process : Selection process will be based on Online written exam & Typing Test.

Application Fee : Candidates have to pay Rs. 400/- for All Category Candidates. Pay the Examination Fee Through Challan or Online Payment Mode.

How to Apply UP Police Vacancy : Interested candidates may apply Online through the website www.uppbpb.gov.in from 11.03.2016 to 04.04.2016.

Starting Date for Submission of Online Application : 11.03.2016
Last Date for Submission Fee at Bank : 06.04.2016
Last Date for Submission of Online Application Form : 04.04.2016
Apply Online : http://uppbpb.gov.in/

## HAL Recruitment

Hindustan Aeronautics Limited invites application for the post of 17 Technician Trainee & Admin/ Commercial/ Accounts Trainee for Special Recruitment Drive for Persons with Disabilities(PWDs)-2nd Attempt. Apply before 15 March 2016.

Job Details :
Post Name : Technician Trainee
No. of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Rs. 10750-27670/- for (Channel C) (Scale 5) and Rs. 10400- 25640/- for (Channel B) (Scale 4)
Post Name : Admin/ Commercial/ Accounts Trainee
No. of Vacancy : 10 Posts
Pay Scale : Rs. 11050-28970/- for (Channel D) (Scale 6) and Rs. 10750- 27670/- for (Channel C)(Scale 5)
Eligibility Criteria for HAL Recruitment :
Educational Qualification :

For Technician Trainee : Regular / Full Time NAC / NCTVT after 10th Standard in the Trades of Turner/ Grinder/ Machinist/ Fitter/ Painter OR Regular/ Full Time ITI after 10th Standard in the Trades of Turner/ Grinder/ Machinist/ Fitter/ Painter.

For Admin/ Commercial/ Accounts Trainee : Full Time MA / M.Sc /M.Com (2 years after 10+2+3) Or Full Time Bachelor Degree (3 years after 10+2) + Full Time Diploma in Commercial and Computer Practice/ Diploma in Commercial Practice / Diploma in Secretarial Practice acquired from the State Board of Technical Education OR Full Time Bachelor Degree (3 years after 10+2) in Arts / Science / Commerce / Administration / Management / Computer Applications Or Regular SSLC + Full Time Diploma in Commercial and Computer Practice/ Diploma in Commercial Practice/ Diploma in Secretarial Practice acquired from the State Board of Technical Education.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 15.03.2016
For UR : 38 years
For SC/ST : 43 years
For OBC : 41 years
Job Location : Bangalore (Karnataka)

Selection Process : Eligible candidates short-listed based on the initial screening will be called for Written Test.

How to Apply HAL Vacancy : Interested candidates may apply in Prescribed Application Form along with self-attested recent Passport Size Photograph send by Ordinary Post / Speed Post / Registered Post / Courier to Senior Manager (HR) Hindustan Aeronautics Limited Corporate Office, 15/1 Cubbon Road Bangalore – 560 001 on or before 15.03.2016. Candidates are requested to compulsorily super scribe the envelope with the Name of the post they are applying to (i.e. "Application for the Post of ……………………").

Last Date For Submission of Application : 15.03.2016

Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.hal-india.com/Common/Uploads/Resumes/312_CareerPDF1_DETAILED%20ADVERTISEMENT%20_PWD%20II_.pdf

Download Application form : http://www.hal-india.com/Common/Uploads/Resumes/312_CareerPDF3_Application%SRD%20-%202nd%20Attempt_.pdf